# টালিবাননা রেদিও ষ্টেসন মেনেজর কাপ্পুনা হাৎখ্রে



কাবুল, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :

অফঘানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা অফঘান রেদিও ষ্টেসনগী মেনেজর টালিবান ফাইটরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লে। অদুগা হেলমান প্রোভিন্সকী খা থংবা শরুক্তগী জ নেলিষ্ট অমা কিদনেপ তৌখ্রে হায়না লোকেল গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টালিবানশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লবা টুফান ওমর পাটিয়া ঘাট রেদিওদা ষ্টেসন মেনেজর ওইনা থবক তৌরিবা মীওই অমনি। লৈবাক অসিদা টালিবান ফাইটরশিংনা জ নেলিষ্টশিংদা টার্গেট তৌরগা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং চখ্খরি। লৈখিদ্রবা ওমর এন এ আইগী ওফিসর অমা ওইবতা নত্তনা রাইট্স গ্রুপশিংবু শৌগৎপা মীওই অমা ওইনা হৌরকখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এন এ আইগী লুচিংবা মুজিব খেল ৱাটগরনা ফোঙদোকখিবদা, ওমর মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা ঙরাং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বনি। ঐখোয়না নীং-খা তম্না পাউ ফোঙবগী থবক থৌরমশিংদা নাকল কয়াদগী অয়েৎপা পীদুনা লাক্লি। মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌরম্বা য়াম্না পুকচেল চাউবা ওমর নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা কিদনেপ তৌখ্রবা জর্নেলিষ্ট অদুবুসু থাদোরক্নবা আপীল তৌরক্লি।

মমাঙ থাদসু টালিবান ফাইটরশিংনা জর্নেলিষ্ট অমদি মীদিয়া হাউসশিংদা থবক তৌবা মীওই ৩০ রোম কাপ্পুনা হাৎখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক-অপন নংহনখি। চহী অসি হৌগৎলকপদগী হৌজি কফাওবদা লালহৌবশিংনা মরাল লৈজদ্রবা জর্নেলিষ্ট কয়া নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা অমদি ফাদুনা ওৎ-নৈবগী থবকশিং চখ্খরি।

অমরোমদা, হেলমান প্রোভিন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান ফাইটরশিংনা নেমাটুলাহ হেমদ কৌবা জর্নেলিষ্ট অমা লাস্কর গাহদা লৈবা মশাগী ময়ূমদগী ফাদুনা পুখ্রে। মহাক করি মরমগীদমক ফাদুনা পুখ্রিবনো হায়বগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। প্রোভিন্স অসিদা লৈরিবা জ নেলিষ্ট অয়াম্বা মীদিয়া হাউসশিংদা থবক তৌবদা অকিবা পোক্লরে। অমরোমদা, টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, কাবুলদা ষ্টেসন মেনেজর হাৎখিবা অমদি জ নেলিষ্ট কিদনেপ তৌখিবা অদুগা মখোয়গা করিগুম্বা লম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

# বালোকিস্টানদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা পুলিস ২ শিরে



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :

পাকিস্টানগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা বালোকিস্টানগী ক্বেটাদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা পুলিস পার্সনেল অনী শিখিবগা লোয়ননা মীওই ২০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

বালোকিস্টান গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় লিয়াকট শাহৱানিনা ফোঙদোরকখিবদা, বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সনেল ১২ য়াওনা পুন্না মীওই ২১ অশোক-অপন নংহনখি। অদুগা ২না শিখিবনি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওইশিং খুদক্তা সিটি অদুদা লৈবা সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্টকী থবক চখ্খরি। টাঞ্জিম স্কৱারদা লৈবা সেরেনা হোটেল মনাক নক্লা মথৌ তৌখিবা পুলিস পার্সনেলশিংদা টার্গেট তৌরগা এটেক অদু চখ্খরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সেনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা, বোম অদু মোটোর সাইকল অমদা প্লান্ট তৌরমখিবনি। মোটোর সাইকল অদু মশক খঙদবা মীওই অমনা পুলিস পার্সনেলশিং থন্না তোংদুনা লাকখিবা ভেন অমগী মনাক্তা খামদুনা থল্লম্বনি। বোম অদু রিমোটকী মতেংনা পোকখায়হনখিবনি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা নাকলদা চৎলম্বা মীওই ৪ অমসু অশোক-অপন নংহনখিবগা লোয়ননা মনাক নক্লা লৈবা বিল্ডিংশিংগী থোঙনাউ মিংশেলশিং অমদি অতোপ্পা পোৎলমশিংসু অমাঙ-অতা থোকহনখি।

হৌজিকফাওবগী ওইনদি থৌদোক অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেইম তৌরকপা লৈত্রি। সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা বোম পোকখায়ফম অকোয়বদা য়াম্না চেকশিন্না থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়রি। বালোকিস্টান অসি পাকিস্টানগী ওইনদি খ্বাইদগী মরুওইবা প্রোভিন্স অমনি। প্রোভিন্স অসি পাকিস্টানগা য়ুমথংনরিবা অফঘান অমসুং ইরানগা তাইননা লৈবা মফম অমনি।

# চাইনাগী ইকনোমিদা চৈথেং পীবা হৌখ্রে

বৈজিং, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):

চাইনাদা থা খরা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা হৌরুরবা মতুং ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট দেল্টানা অমুক হন্না চৈথেং পীবা হৌরকপদগী লৈবাক অদুগী ইকনোমিদা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রে হায়রি।

লৈবাক অদুদা ফোঙবা মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না দেল্টা ভেরিয়ন্টনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী শরুক খরদা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং পোৎ-চৈগী মমলসু কা হেন্না তাঙখৎলকখ্রে। মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা লৈবাক অদুদা শন্দোরক্লিবা হান্নদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা থবক কয়া পায়খৎলবসু হৌজিকমক্কী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি। দেল্টা ভেরিয়ন্ট শন্দোকপা হৌরকখিবা মফমশিং লৈঙাক্লা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা লোকদাউন তৌশিনখ্রবসু ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওইশিংদা দেল্টা ভেরিয়ন্ট পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরকপদগী মফমদুদা লৈবা অচৌবা শোপিং মোলশিং থিংজিনহনখ্রে। চাইনাগী খা থংবা শরুক্তা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহল্লে।

# কোভিদ হেল্থ পাস প্রসিদেন্টনা ইমপ্লিমেন্ট তৌখ্রে

পেরিস, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :

ফ্রান্সকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা কোফি কেফে, শোপিং মোল অমদি ইন্টরসিটি ট্রেন তোংদুনা চৎনবগীদমক লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ হেল্থ পাস উৎকদবনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রবসু প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননা কোভিদ হেল্থ পাস ইমপ্লিমেন্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক খোঙজেল য়াঙশিলহল্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মেক্রোননা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি লৈবাক অদুগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমকনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা নৎত্রগনা খোঙজং চঙশিন্দ্রিঙৈ মাঙওইননা য়াম্না মুন্না খনফম থোকই।

ফ্রান্সতা মতম শাংনা লোকদাউন থম্লরবা মতুং মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না লৌথোকখিবনি। অদুমওইনমক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈবাক অসিদা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি।

কোফি কেফে নৎত্রগনা শোপিং মোলশিং অসি মী য়াম্না তিনবা মফমনি। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা অকনবা চৈথেং অমুক হন্না পীরকপা য়ানা লৈ।

# কালিফোর্নিয়াদা ঈকং থোকপদগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল কালিফোর্নিয়াদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা ঈকং থোকপদগী মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লবা হৌখ্রে। অমদি ঈশিং থিবনা মখোয়গী মরুওইবা মথৌশিং ওইরি।

হায়রিবা খুঙ্গংশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা অমুক্কা হেন্না ৱারিবদি মখোয়না মহৈ-মরোং থারিবা শরুকশিং অদুদা ঈশিং অমত্তা লৈরত্তবদগী পাম্বীশিং অদু শংলম্বদগী নাপু মচুদা তপ্লা তপ্লা ওনশিল্লক্লিবা অসিনি।

ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অদুমওইনমক, চহী কয়াগী মতুংদা সেন্ট্রেল কালিফোর্নিয়াদা থোক্লিবা ঈকং অসিনা মরম ওইরগা হন্দক চহীগী ওইনদি মফম অদুদা চানবা মহৈ-মরোংশিং লোকপা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মহৈ-মরোং থারগা হিংনবা হোৎনরিবা মীওই কয়াদি অহিং তূম্নদ্রে। খুঞ্জাশিং পূনশিন্দুনা ঈশিং লৈরম্বা য়াবা মফমশিংদা অচৌবা কোমশিং তৌদূনা ঈশিং থিবগী থবক অকনবা মওংদা চখ্খরি।

# গ্রিসতা চাক্লিবা লম্মৈ হান্নদগী হেন্না কনখৎলক্লি



পেফকি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী) :

গ্রিসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কা হেন্না শাগৎলকপদগী চাক্লকখিবা লম্মৈ নুমিৎ তরুক্লি শুরকপগা লোয়ননা হৌজিকসু লৈবাক অদুদা চাক্লিবা লম্মৈ কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি হায়না ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রিক আইলেন্দ ইভিয়াদা হৌজিক হৌজিক চাক্লিবা লম্মৈগী ফিভম য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরি। ফেরিশিং শীজিন্নদুনা আইলেন্দ অদুদা লৈবা মীওইশিং পুথোকপগী থবক অকনবা মওংদা চখ্খরি। অতেনবা মতমগী মনুংদা আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা মীওইশিং মপুঙ ফানা পুথোক্লবা হোৎনরি। গ্রিসকী খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা আইলেন্দ অসিদা লৈরিবা উমং অয়াম্বা মৈনা তুম্না চাকখ্রে। হায়রিবা আইলেন্দ অসিদা মৈ কনবগী থবক চখ্খরিবা ফায়র ফাইটরশিংগী মরক্তসু লম্মৈনা মরম ওইরগা অশোক-অপন নংহনবগী থৌদোকশিংসু থোকখ্রে।

মফমদুদা চাক্লিবা লম্মৈ অদুগা মরী লৈননা মশাগী চহী ৩৮ লোম শুরবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, মফম অসিদা হৌজিক চাক্লিবা লম্মৈ অসিগুম্না মমাঙ মতমদা অমুক্তা চাকপা উখিদ্রি। অকিবা ফিল্ম অমদা উৎপা শক্তম অমগুম মীৎমাঙদা অঙকপা ফংনা মৈ চাকখৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা আইলেন্দদুদা লৈরিবা খুঞ্জা কয়া মিপাইবা পোক্লরে। খুঞ্জাশিং সমুদ্রগী মায়কৈ তম্না চেঙ্থোক্লরক্তুনা লৈরি। লম্মৈ অদুনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অদুগী মনুং চনবা খুঙ্গং মঙাদা লৈবা য়ুম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনদি লম্মৈ অদুনা আইলেন্দ অদুদা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবগে হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিকফাওবগী ওইনা কোষ্ট গার্দশিংনা আইলেন্দ অদুদগী মীওই ২০০০ হেন্না তেক্তা কায়দনা পুথোরকখ্রে হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES
------

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / N O T I C E

Imphal, the 9th August, 2021

No.HL-64/H&T/2017: In view of the relaxation of the Curfew vide Government Order No. H-1601/6/2020HD-HD dated 07-08-2021 and to make available yarn to weavers of Manipur, following yarn will be available from Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd., Paona Bazar, Imphal from 10-08-2021 with strictly compliance and observation of SOP issued by competent authority:

| Sr | Type of Yarn with count | Rate | Subsidized Rate | Unit |
|---|---|---|---|---|
| 1 | 2/40S Cotton Yarn | 588.00 | 490.00 | Per kg |
| 2 | 2/40 Acrylic Yarn | 462.00 | 385.00 | Per kg |
| 3 | 60 S Cotton (White) | 540.00 | 450.00 | Per kg |
| 4 | 60 S Cotton (Colour) | 576.00 | 480.00 | Per kg |
| 5 | 10 S Cotton | 114.00 | 95.00 | Per kg |
| 6 | 100 S Cotton (White) | 912.00 | 760.00 | Per kg |
| 7 | 100 S Cotton (Colour) | 936.00 | 780.00 | Per kg |
| 8 | 120 S Cotton (White) | 1176.00 | 980.00 | Per kg |
| 9 | 120 Cotton (Colour) | 1200.00 | 1000.00 | Per kg |
| 10 | 80 S Cotton Yarn (Colour) | 666.00 | 555.00 | Per kg |
| 11 | 2/60 S Cotton Yarn (Colour) | 594.00 | 495.00 | Per kg |
| 12 | 2/80 S Cotton Yarn(Colour) | 678.00 | 565.00 | Per kg |
| 13 | 2/32 Acrylic Yarn | 384.00 | 320.00 | Per kg |
| 14 | 2/40 Polyester Yarn | 259.20 | 216.00 | Per kg |
| 15 | Mulberry Silk {Ektari (Spl)} | 4248.00 | 3540.00 | Per kg |
| 16 | 20/22 Twisted Mulberry Silk(KB.Philantrophy) | 4824.00 | 4020.00 | Per kg |
| 17 | 2/40 Polyester Viscose | 754.99 | 629.16 | Per kg |
| 18 | 2/60 Polyester Cotton | 421.92 | 351.60 | Per kg |

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles, Manipur

HL-B/7069/10

## OINAM KENDRA ELECTION DEVELOPMENT COMMITTEE, MANIPUR

## ইরেংবম ওংবী নলিনি (মেম্মা) দেবী শৌগৎখ্রে অমদি মায় পাক্লনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে

থা অসিগী তাং ৪-৮-২০২১ ইং য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পূং ৩ তাবা মতমদা Oinam Kendra Election Development Committee না শীন্দুনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা General Election অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবী শ্রীমতি ইরেংবম ওংবী নলিনি (মেম্মা) দেবী গী মরু ওইবা Worker শিংনা SOP ঙাক্তুনা মীফম অমা কম্মিটি অসিগী President Shri Loktongbam Angou Singh না Chair লৌদুনা Candidate অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখি। হায়রিবা মীফম অদুদা মরু ওইবা অতোপ অতোপ্পা Party দগী Candidate অসিবু শৌগৎতুনা নৌনা চঙবীরক্লবা অমদি Committee অসিদা নৌনা য়াওশিনবীরকখ্রবা মীওইশিং অসিবু Committee না তরাম্না ওকখি লোয়ননা Committee দা য়াওশিল্লকপদা মীফম্না অয়াবা পীদুনা মখোয় মখোয়না পুগদবা ফর্মশিংসু মখাগী অসুম্না মশা মশানা য়ানদুনা শিন্নখ্রবা মতুংদা Committee সু পাকথোক চাউথোকহনখ্রে।

**I. Chief Advisor**
1. Sorokhaibam Temba Singh, Oinam (Retd. Z.E.O.)

**II. Vice-President**
1. Ningthoujam Samananda Singh, Leimaram (Sitting Member, Keinou Zilla Parishad)
2. Thokchom Bira Singh, Toubul (Ex-Member, Ngaikhong Zilla Parishad)
3. Wahengbam Homeshwar Singh, Keinou (Ex-Pradhan, Keinou GP)

**III. Joint Secretary**
1. Thoudam Gopal Singh, Toubul (Up-Pradhan Toubul GP)
2. Pukhrambam Shanti Singh, Ngaikhong Khunou (Social Worker)
3. Maishnam Bimolchand Singh, Ngakchroupokpi (Social Worker)

**IV. Publicity Secretary**
1. Mayanglambam Charke Singh, Toubul (Member Ward No. 3, Toubul GP)
2. Yumnam Amuba Singh, Keinou Thongkha (Social Worker)

**V. Member**
1. Maisnam Ingocha (Chamana) Singh, Toubul (Ex-Member, Toubul GP)
2. Oinam Hemanta Singh, Oinam (Ex-President MUSU)
3. Oinam Kunje Singh, Leimaram (Social Worker)
4. Ningthoujam Premjit Singh, Leimaram (Social Worker)
5. Angom Bidyamani Singh, Toubul (Social Worker)
6. Shagolshem Kiran Singh, Toubul (Social Worker)
7. Yanglem Ibobishak Singh, Toubul (Social Worker)
8. Maisnam Rajen Singh, Toubul (Social Worker)
9. Thoudam Shitaljit Singh, Toubul (Social Worker)

লোয়ননা মখা তানা মথক্কী নৌনা চঙলকখ্রবা মীওইশিংসি য়াওখিবা মীফম্না লাক্লিবা Election অসিবু মায় পাক্লনবগীদমক Committee অসিদগী Election দা হেন্না Experience লৈরবা Member কয়ামরুম খনগৎলগা "Election Campaign Committee" অমসু অথুবা মতমদা শেম্নবা মত অমত্তা ওইনা মীফম্না লেপ্পখি।

Sd/- **L. Angou Singh**
President,
Oinam Kendra Election Devt. Comt.
Bishnupur District, Manipur

HL-P/3811/10

ꯃꯇꯝ ꯑꯃ
Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal ( Affiliated to COHSEM )
Admission Open for Class XI (Sc. & Arts)
Every year we produced Position Holders & Inspire Awardees
COHSEM 2019 Result
COHSEM 2020 Result



4th Position Arts O. Anganba
Inspire Awardee S. Bonnie
6th Position Arts Swamikumar N
Inspire Awardee Henison L
Science & Arts
Direct Admission
for online Regd. & Admission:
First come First
http://deltaadvanceschool.com/onlineadmission/
for Offline Admission Please visit Office ( 10am to 3pm)
Admission reopened for Limited Seats
Extended upto 19th August, 2021
for Admission: 9856100063; 7005074050; 8575348209
New Session of Class XI will start from 20th August
Covid-19 Special:
85% & above -- Admission Rs. 1000 only and Monthly fee 50% only
80% & above -- Admission Rs. 1000 only
70% & above -- Admission Fee Rs. 2000 only
60% & above -- Admission Fee Rs. 4000 only
Below 60% -- 50% concession on Admission fee
100 % Passed every Year
HL-B/7053/10,11,12

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 203,613,107 | +205,393 | 4,311,215 | +4,139 | 182,925,865 | 16,376,027 |
| 1 | USA | 36,543,338 | | 633,116 | | 29,859,062 | 6,051,160 |
| 2 | **India** | **31,969,954** | **+366** | **428,339** | | **31,139,457** | **402,158** |
| 3 | Brazil | 20,165,672 | | 563,470 | | 18,907,243 | 694,959 |
| 4 | Russia | 6,469,910 | +22,160 | 165,650 | +769 | 5,769,981 | 534,279 |
| 5 | France | 6,305,158 | | 112,220 | | *5,759,661* | 433,277 |
| 6 | UK | 6,069,362 | | 130,320 | | 4,642,198 | 1,296,844 |
| 7 | Turkey | 5,918,540 | | 52,196 | | 5,504,355 | 361,989 |
| 8 | Argentina | 5,018,895 | | 107,459 | | 4,669,761 | 241,675 |
| 9 | Colombia | 4,838,984 | | 122,458 | | 4,649,453 | 67,073 |
| 10 | Spain | 4,588,132 | | 82,006 | | 3,784,544 | 721,582 |
| 11 | Italy | 4,396,417 | | 128,220 | | 4,155,931 | 112,266 |
| 12 | Iran | 4,199,537 | +40,808 | 94,603 | +588 | 3,565,575 | 539,359 |
| 13 | Germany | 3,797,836 | | 92,281 | | 3,667,400 | 38,155 |
| 14 | Indonesia | 3,686,740 | +20,709 | 108,571 | +1,475 | 3,129,661 | 448,508 |
| 15 | Mexico | 2,971,817 | +7,573 | 244,420 | +172 | 2,326,466 | 400,931 |
| 16 | Poland | 2,884,162 | +64 | 75,285 | | 2,654,624 | 154,253 |
| 17 | South Africa | 2,533,466 | | 74,813 | | 2,297,974 | 160,679 |
| 18 | Ukraine | 2,259,451 | +300 | 53,100 | +5 | 2,191,202 | 15,149 |
| 19 | Peru | 2,125,345 | | 196,950 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,885,805 | | 17,869 | | *1,690,968* | 176,968 |
| 21 | Iraq | 1,712,709 | | 19,203 | | 1,529,053 | 164,453 |
| 22 | Czechia | 1,675,010 | +103 | 30,363 | | 1,642,366 | 2,281 |
| 23 | Philippines | 1,667,714 | +8,900 | 29,128 | +6 | 1,560,106 | 78,480 |
| 24 | Chile | 1,623,363 | | 36,016 | | 1,579,137 | 8,210 |
| 25 | Canada | 1,438,743 | | 26,669 | | 1,401,767 | 10,307 |
| 26 | Bangladesh | 1,365,158 | +11,463 | 22,897 | +245 | 1,219,859 | 122,402 |
| 27 | Malaysia | 1,279,776 | +17,236 | 10,961 | +212 | 1,041,585 | 227,230 |
| 28 | Belgium | 1,136,726 | | 25,268 | | 1,063,847 | 47,611 |
| 29 | Sweden | 1,104,538 | | 14,620 | | *1,078,132* | 11,786 |
| 30 | Romania | 1,085,100 | +181 | 34,319 | +3 | 1,048,620 | 2,161 |
| 31 | Pakistan | 1,071,620 | +4,040 | 23,918 | +53 | 964,404 | 83,298 |
| 32 | Japan | 1,031,296 | +14,472 | 15,280 | +7 | 889,912 | 126,104 |
| 33 | Portugal | 986,967 | | 17,467 | | 924,567 | 44,933 |
| 34 | Israel | 902,148 | +1,666 | 6,542 | | 864,213 | 31,393 |